Sunday, March 20, 2016, Imphal

HUEIYEN LANPAO

## গ্রাম সভা মীটিং

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ ঃ নেসনল রুরেল দ্রিঙ্কিং ৱাটর এন্দ সেনিটেসন হায়বা হিরমদা সাইতোন গ্রাম পঞ্চায়টকী ওইবা গ্রাম সভা মীটিং অমা ঙসি লৈতানপোকপী কৈথেলদা পাঙথোকখ্রে। সাইতোন গ্রাম পঞ্চায়ট অমদি ভিলেজ ৱাটর এন্দ সেনিটেসন কম্মিটি, সাইতোননা খুৎশম্নদুনা শীনখিবা মীটিং অদুদা পি ঐচ ঈ দি বিষ্ণুপুর দিভিজনগী ইঞ্জিনিয়ার এল গোকুলচন্দ্র, সাইতোন জি পিগী প্রধান শামুঙৌ, পি ঐচ ঈ দিগী এ ঈ, দল্লিয়ু বাইতে, পঞ্চায়ট সেক্রেটরি, মোইরাং সী দি ব্লোক টি টিকেন অমদি সুপরভাইজর ও নিলচন্দ্রনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা অফবা ঈশিং শীজিন্নবা অমদি সেনিটেসনগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি।

## হৈকৎ-লৈকৎ তমগদৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ ঃ লাক্লিবা মার্চ ২৩গী অয়ুক অঙনবদা নোংমা চুপ্পা পুরুকশৌবী ইবুধৌ পাখঙবগী লাইফমলেন্দা লৈবাক মীয়মগী ওইবা হৈকৎ-লৈকৎ তমজবা, চেঙবী-চেঙবা হৈদুনা থৌনিজবগী থৌরম অমা পাঙথোক্লগনি। থৌশিল লুপ্পা চহী কায়গী মমাঙদগী তৎপা-কাংবা লৈতনা পাঙথোকচরিবা লাইগী থৌরম অসিদা লাইনিং পরে চেৎলবা খ্বাই তরানা মতম চানা লাক্কুনা হৈকৎ-লৈকৎ তন্বীয়ু। থৌরম অসিদা মীতৈ ইনাৎকী ৱারী শীংবুল, পুঙ-ঈশৈনচিংবা থৌগনবীয়ু হায়না পুরুকশৌবী ইবুধৌ পাখঙবা থৌশিল লূপকী প্রেস্তা থোকপা চেরেলা অমদা পাউজেল্লক্লি।

## ওজাদা অৱাবা পীরে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ঃ লৈবাক্কী অচৌবা কুম্হৈশিং লৈরবদি ওজাশিং য়াওনা ইমপ্লোয়ীশিংদা ঙনখৎনফাও তোলোপ পীথোক্তুনা শেল-থুমগী অৱাবা কোকহন্নবা মমাঙগী মতমদা কয়া তৌনখ্রে। দিসেম্বর ২৫, খৃষ্টমাস কুম্হৈগী এদভান্স পে পীথোকই অতৈ লাইনিংগী ওইবা কুম্হৈগীসু পীথোক্লে। অদুবু হন্দক ৱাঙ্গৈই টেজরিগী মখাদা লৈবা ওজা কয়া হায়স্কুলহায়র সেকেন্দরিশিংগী ইমপ্লোয়ীশিংদা ফেব্রুৱারী থাগী তোলোপ পন্দুনা লৈহনবদগী ঙসি ফাওবা ফংহন্দ্রে। মার্চ থা লোইগদৌরবা ফাওবা তোলোপ পীথোক্তবা অসিনা ওজাশিংদা অৱাবা কয়া মায়োক্নহল্লে। মার্চ ২৩দা য়াওশঙ কুম্হৈ লৈবনা থা অসিগী ফাওবা পীথোকপা য়ারবনি। ফেব্রুৱারী থা হৌরকপা ফংগদবা তোলোপ অদু ট্রেজরি অমসুং ষ্টেট বেঙ্ক ব্রাঞ্চ অমসুং য়ু বি আই, পাওনা কৈথেল ব্রাঞ্চনা ওজাশিংদা অৱাবা পীবা অসি খুদক্তা কোকহন্নবা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা ৱাকৎ চেরোল থারগনি হায়না ওল মণিপুর গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরী লেকচররস' ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

## থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ ঃ মমতাজ মণিপুরী দান্স এন্দ ম্যুজিক সেন্টর (এম এম দি এম সি), ইম্ফালনা শীন্দুনা ঙরাংদগী হৌবা নুমিৎ নীনিগী ওইবা মোইরাং কংলৈরোল শৈশক ফাংনবগী থৌরম অমা শগোলবন্দ খন্নাম কৈথেল সোয়াম লৈরক্তা লৈবা সোয়াম রাকেশ (বোবী)গী য়ুমদা কলচরেল এক্টিভিষ্ট মখোনমণি মোংশাবা, অমসুং এম এম দি এম সীগী প্রসিটেন্ট লাইতোঞ্জম অহঞ্জাওনা মথংশিংনা অথোইবা লেংবিরকপা অমসুং থৌরম মপু ওইদুনা হৌদোকখ্রে হায়রি। এমএমদি এম সীগী সেক্রেটরিনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা হায়, থৌরম অদু মহৌশা ইপানাৎ-ইপুনাৎতগী থন্বীরল্লবা হৌজিক্কী মতমদা মাঙশিল্লক্লবা আর্ট ফোর্ম অমা ওইরিবা মোইরাং কংলৈরোল শৈশক অসিবু য়োকখৎনবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

অহানবা হৌদোকপা নুমিৎতা থোকচোম বুধনা মোইরাং কংলৈরোলগী মনুং চনবা থোইবীনা কবোদা লোইথাবগী মতাংদা য়াম্না মরিক চুম্না শৈথাদুনা শকখি। থৌরম অদুগী নীনি চনবা অরোইবা নুমিৎতা অহানবা ওইনা নামোইজম ভনুমতি (বিমোলতা)না খন্বনা ষণ শেনবগী মতাংদা শকখি। অদুগা অনীশুবা ফাইবোক শৈশক্তা মাইবম শ্যামা লৈমা অমসুং থোকচোম বুধনা মোইরাং কংলৈরোলগী শৈশক শৈথাদুনা মশীং য়াম্লবা মীয়ামগী পুক্নিং চিংশিনখি হায়রি।

## লালহৌবা ১ ফারে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ঃ ঙরাং উরিপোক এরিয়া মনুং অমসুং অকোয়বদা কে সী পি (মঙাল) ওর্গনাইজেসনগী এক্টিব কাদর খরা লৈরে হায়বা থাজবা পাউ অমদা য়ুম্ফম ওইরগা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কাঙবু অমনা ফ্রিস্কিং অমসুং চেক্কিং তৌবদা কে সী পি (মঙাল) ওর্গনাইজেসনগী এক্টিব মেম্বর অমা ফারে। ফারবা অদু তাকয়েল খোংবাল মোইরাংথোংদগী পাওনম চন্দ্রমণিগী মচানুপা পাওনম অবুং এলিয়স সুরচন্দ্র (২৯) কোই। ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা লৌখৎলগা ইনভেষ্টিগেসন চথরি হায়না মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী পি আর ওনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

# য়াওশঙগী ছুটি নুমিৎ ৫নি ওইহনবগী মহুৎতা নোংমতং ওইহনবদা করি কায়বগে ঃ বিজেপি

ইম্ফাল, মার্চ ১৯(ঐচ এন এস) ঃ মণিপুরদা য়াওশঙ কুম্হৈ অসি মীয়ামনা অসুক য়াম্না পান্নরিবা অসিগী মরম করিগীনো, মসিগীদমক ঐখোয় পুন্না খন্থমিন্নবগী মতম য়ৌদ্রিব্রা অমসুং য়াওশঙগীদমক নুমিৎ মঙানি ছুটি থাদৌইক্লিবা অসি নোংমতং ওইহনবদা মণিপুরদা করি মাঙজবগে হায়না অন টয়োদয়া সেল, বি জে পি, মণিপুর প্রদেশকী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, চীংদা কনানসু য়াওশঙ কুম্হৈ পাঙথোকই অমসুং শেল নি হায়বা তাদে। য়াওশঙ য়ৌদ্রিঙৌদা লন্বীদা থোক্তুনা অরাকপা গারীশিং থত্তুনা থাবল চোংবগী শেল নমদুনা পীদবা য়াদে হায়দুনা তৌদবা য়াদ্রবা মথৌ অমগুম য়াম্না থৱায় য়াওনা শেল নিবগী থৌওং চথরি।

য়াওশঙ মৈ থাখ্রবা মতুংদদি নুপীমচাশিংনা মখোয়-মখোয়গী অনকপা লন্বীদা থৌরি তিংদুনা থাবল চোংবগী, চাক চান্নবগী অমসুং য়াল্লগা শেল য়েন্নবগীদমক শেল নিরি। মসি কনানা হৌদোক্লম্বনো হায়বা খঙদে। শেল পায়বশিংনা শেল পী। অদুগা এম এল এ, মিনিষ্টরশিংদা নৎতনা ভোট কাহৌদ্রবশিংসু ভোট ফংননবা য়াওশঙ মনুংদা অরাকপশিংদা শেল য়েল্লি। মখোয়গীদি কান্নবনি, ভোট খোম্বনি। অদুবু লৈজদবা কনাগুম্বা চৎতবদি য়াদবনা লন্বীদা গারী মচা অমা তোংদুনা চৎচবদা ফংলিবা অচৌবা চৈথেং অদুদি পুম্নমক্না খঙলবসু শেল নিরিবা মখোয়নদি খঙলোই। নিবদা থৱায় য়াওরিবা অদুগুম্না মহৈ-মশিল তন্বদা, লমচৎ-শাজৎতা, অথোই-অহেন তান্নবদা, ৱাঙাঙ শঙাঙদা, হীরম খুদিংদা থৱায় য়াওরল্লবদি মীনা মণিপুগী মৈতৈ মচাশিং অসি হৈখ্রেদা, শিংখ্রেদা, কল্লকখ্রেদা হায়দুনা শোন্নরমগদবনি হায়রি।

মণিপুর গভর্নমেন্টনা কুমজা ১৯৭২দা য়াওশঙগী ছুটি নুমিৎ মঙানি ওইহনখিবদগী মতম মাঙবা পামজদবা য়াওশঙগী কান্নদ্রবা চৎনবীবু য়ানিংদবা মীয়াম্না য়াওশঙ স্পোর্টস্তা মায় ওনশিন্দনা লাকপদগী ঙসিদি মালেম অসিদা ইন্দিয়াগী মিংচৎ পুরকপদা মণিপুরনা মাঙজিল থারি। য়াওশঙগী কান্নবা হায়বু মসি মঙাইরে হায়রি।

হৌজিক অসি য়েন্নিং থানি, হৈরাং-লৈরাংনা মনিং তম্না শাৎচবা মতমনি। মতম অসিদা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংনা ঙাওরকপদা কনানা থিংবা ঙমগনি, মীদি লাইরদা শা-ষণ, উচেক-ৱায়া থৱায় পানবা পুম্নমক্না ঙাওনবা মতমনি। মরম অদুনা ঙাওজনিংবা নহাশিংদা য়াওশঙগী ছুটি নুমিৎ মঙানি পীশিনবা অসিদি ইরুজনিংবদা থোংগ্রা তেকপগুম্বনি। নুমিৎ মঙানি অসিদা ঙাওনিংবা ঙাওজরো হায়বগা চপ মান্নরে হায়রি।

থাইনগী য়াওশঙগী চৎনবী অসি মতম অসিগা য়াম্না চুনদ্রে, অখঙ-অহৈ লৈরি, শেমদোকপা য়াই। পাখঙ-লৈশাবী নৎত্রবসু নুপী মশেল, নুপা মশেল, অঙাং মখৈ, হৈনিংলগা ইথন্তা ওইরবসু মশান্না অমগুম, জগোয় অমগুম হকচাং খিংননবা স্পোর্টস/কলচর অমগুম পুথোক্তুনা অয়ুক-নুংথিলদা শেল তিংহন্দনা অহাংবা মতমদা লেম্না থাবল চোংবসু য়াই। অদুবু থাইনগী চৎনরকপনি হোংবা য়াদে হায়গদৌরিব্রা হায়রি।


ছুটি নুমিৎ মঙানি পীথোকখ্রবনিনা অমুক কক্লরোই হায়গদৌরিব্রা? ছুটি পামজবা, ঈরাং পামজবা, নিবা পামজশিংগীদি নুমিৎ মঙানি অসি ওকহৌদ্রে নুমিৎ মঙানি অমগা হাপচিল্লগা য়াওশঙগী ছুটি অসি নুমিৎ ১০নি ওইরনি হায়বদা শাওরক্লোই হায়রি।

পুম্নমক অসি উরগা শেল নিবা অমসুং মুনবা, মওং তাদবা অবের খুতে পুম্নমকশিং অসি খর-খরা হন্দোকপীদুনা অফবা লন্বীদা, মীনা ঙাওনরোইদবা লন্বীদা চৎপীয়ু হায়রি।




দি সী চান্দেলনা নেসনেল রুরেল দ্রিঙ্কিং ৱাটর এন্দ সেনিটেসন এৱেয়র্নেস হৌদোকপগী থৌরম

# এস এস বিগী মেম্বর অমা লৈখিদবদা লুপা লিশিং ৩০ পীরগনি




ইম্ফাল, মার্চ ১৯(ঐচ এন এস) ঃ এস এস বি রিটয়ার্দ/পেন্সনর ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসন হৌদোকখিবা চহী ২১ ফারকপগা লোয়ননা ঙসি ২১ শুবা জেনরেল বোদি মীটিং লময়ানবা শঙলেন, কোনুং মমাঙদা পাঙথোকখ্রে।

এসোসিএসন অসিগী এদভাইজর সী ঐচ বিরেন্দ্র, এন খেলেন্দ্রো, জি চরচিল শর্ম্মা, প্রসিদেন্ট টি ঐচ কুঞ্জকিশ্বর, ভাইস-প্রসিদেন্ট এম রাজকুমার, জেনরেল সেক্রেটরি অথোকপম তোম্বনচিংবা মীওই কয়ানা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এসোসিএসন অসিগী চহী য়াম্লবা মেম্বরশিংদা খুদোলপোৎ পীখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙবদা এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি অথোকপম তোম্বনা হায়খি, এসোসিএসন অসিগী মেম্বর অমনা লৈখিদবা মতমদা লৈখিদ্রবগী ইমুংদা পুন্না লুপা লিশিং ২০ পীরম্বগী মহুত্তা লুপা লিশিং ৩০ পীনবা থৌরাং তৌরে। এসোসিএসন অসিনা লমদমসিগী মহৌশাগী ওইবা খুদোংথিবা থোরকপদা অৱা-অনা তারবশিং, চিলদ্রেন হোমগী অঙাংশিং অমদি ওল্ড এজ হোমশিংদা লেপ্তুনা শেলগী তেংবাঙ পীনবা খন্নরে। উপাল-ৱাপাল কয়াসু থাদুনা মহৌশাগী খল ঙাক্তুনা থম্বা, সোসল সার্ভিসনচিংবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপা অমসুং অহানবা ওইনা ষ্টেট অসিদা এস এস বি ট্রেনিং সেন্টর অমা থৌবালদা শানবা থৌরাং লোইরে। এসোসিএসন অসিনা মীয়ামগা লোয়ননা থবক থৌরম কয়া পাঙথোকপদা লৈবাক মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# ট্রান্সফর তৌবগী মায়োক্ত ৱাকৎ-মীফম ফম্বগা লোয়ননা মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯(ঐচ এন এস) ঃ চনম সন্দ্রোক অপ্পর প্রাইমারী স্কুলগী হেদ মিষ্ট্রেস য়াওনা ওজা অহুম্বু হৌখিবা মার্চ ১০ অমসুং ১৫দা ট্রান্সফর তৌখিববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙরাং স্কুল অসিগী এস এম সীগী মেম্বরশিং, গম্মা রে ক্লব, চনম সন্দ্রোক, সী ঐচ আর, মৈরা পায়বী অমসুং ষ্ট্যুদেন্টস য়ুনিয়ন, চনম সন্দ্রোককী মেম্বরশিংনা স্কুলগী ছো লোনশিন্দুনা ৱাকৎ মীফম অমা স্কুলগী মমাঙদা ফম্বগা লোয়ননা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

পাউ অসিনা হায়, চনম সন্দ্রোক অপ্পর প্রাইমারী স্কুল অসিগী ওজা ৭ লৈবগী মনুংদা চহী অনীগী মমাঙদা ওজা অহুম য়ুটিলাইজ তৌবিখ্রবা মতুংদা ওজা মরিনা স্কুল অসি য়াম্না ৱানা থবক তৌদুনা লাকপনি। মসিনা পুবা ঙমদবদগী লৈকায়গী ওজা মরি ৱাইদুনা লৈরিবনি। স্কুল অসিগী ওজা মরিগী মনুংদা অহুম মতম অমত্তদা ট্রান্সফর তৌরগা অনী থাজিল্লক্লিবা অসিনা করম্বা অরোনবা এজেন্দনো? মরী লৈনবশিংনা ওজা টি কোম্বীরৈ, ঐচ শরতচন্দ্র অমসুং ৱাই নিমাইগী ট্রান্সফর ওর্দর অদু কত্ত্রিফাওবা স্কুল থিংজিনবগী খোঙজং হন্দোক্লোই অমসুং নৌনা লাক্লিবা ওজা অনী অদুবুনা স্কুলদা চঙহল্লোই।

হান্না লৈরম্বা ওজাশিংগী মথক্তা অনৌবা ওজা অনী অসি লাকপা ওইরম্লবদি দাইরেক্টরবু থাগৎচরমগদবনি। স্কুল অসিগী এস এম সীনা লোকল এম এল এ, কারাম থমর্জিৎতা য়ুটিলাইজ তৌখিবা ওজা অহুম স্কুল অসিদা অমুক পুরক্লবা হায়জরুবদদি তাবিখিদ্রগা মতৌ করম্না ওজা অহুম অসি ট্রান্সফর তৌবিরিবনো। এম এল এ অমসুং দাইরেক্টরনা স্কুল অসি মুখৎপা য়ারোই। অথুবা মতমদা ওর্দর অসি ককপিদ্রবদি মণিপুরদা লৈরিবা ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন কয়াগা লোয়ননা মীয়ামগী ঈহৌ লাক্তুনা লৈঙাক্কী কোক শোইদনা চিক্কনি হায়রি।

মীয়ামগী মীহুৎনা মাগী মাগী এ সীদা লৈবা স্কুলশিং ফহন্নিংলবদি স্কুলদা পোলিটিক্স তৌবিগনু। ওজা মরি লৈবা স্কুল অমদা হেদ মিষ্ট্রেস য়াওনা ওজা অহুম অমুক্তদা ট্রান্সফর তৌখিবগী থৌওং অসি লমদম অসিগী ওর্গনাইজেসন খুদিংমক্না পেন্দে, অথুবা মতমদা ওদর অসি ককথৎপীয়ু হায়না মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী পুক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়রি।

## পার্টিগা মরী লৈনদে ঃ কে সী পি

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ ঃ নির্মলা হায়রিবী নুপী অসি পার্টিগা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়না কংলৈপাক কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি) ভেলি ওপরেসন ক্রাইম কন্ট্রোল কম্মান্দর মঙাল মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লুপকী তঙাইফদবা চঙদবা য়াদবা খরা লৈবদগী পার্টিগী শীন্থা পাঙথোক্লিবশিংনা শাফগদবা লন্বী থিদুনা লাকই। নুমিদাংগী মতম থেংজিল্লকপদা পার্টিগী লেট্টর হেদশিং মফম চাবা য়েংদুনা কোঞ্জেংবম নির্মলা হায়রিবা ইমা অসিদা থল্লমখি। পার্টিগী মীওইশিংনা অয়ুক্তা লৌখৎপা চৎলুবদা পুলিসনা ফাখ্রে হায়না খুম্লকখি। পার্টিনা থৌদোক অদু করম্না থোকখিবনো হায়না ইমা নির্মলাগী নুপাদা হংনবা তাঞ্জা লৌরিঙৈ ইমা নির্মলাগী ময়ুমদা থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়া উবা ফংখি। থোক্লিবা থৌদোক অদুদা য়াওরিবা মীয়াম খুদিংমক্কী মফমদা হায়নিংবদি, মীয়ামগী ওইরিবা কে সী পি লুপ অসিগী পোৎশক অমা থল্লম্মী হায়দুনা পুলিসতা তাক্লগা ফাহনবা অমদি য়ুম অদুদা থোকহন্নীংদবা থৌদোক থোকখিবা অদু নুংঙাইতবা ফাওই। ইমা নির্মলা অসি পার্টিগা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে। লৈকায়না লৌরিবা ফীরেপ অদু হন্দোক্লগা অমুক্তং ইমা নির্মলাগী ইমুংদা তারিবা অৱাবা কয়াদা মীয়াম্না তেংবাংবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## হিন্দী ৱারী মচা মীতৈ ময়েক্তা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচ এন এস): সাহিত্য একাদেমী ট্রান্সলেসন প্রাইজ ফংখ্রবা অরিবম কুমার শর্ম্মনা হিন্দী অইবশিংগী ৱারীমচাশিংদগী মীতৈ ময়েক্তা হন্দোকপা লাইরিক ফোঙখ্রে।

রাইটর্স ফোরম ইম্ফালগী সেক্রেটরি এল সোমোরেন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, রাইটর্স ফোরমনা বাঙ্গলা ময়েক্তা লৈরিবা মণিপুরী খোরিরোলগী ফজরবা লাইরিকশিংবু তুংগী মীরোলশিংগীদমক মীতৈ ময়েক্তা ওন্থোকপগী শরুক অমা ওইনা ঙসি নাগামপাল লমাবম লৈকায়দা লৈবা ফোরম অসিগী ওফিসতা হিন্দী ৱারীমচা মীতৈ ময়েক্তা হন্দোকপা লাইরিক ফোঙখ্রে।

সহিত্য একাদেমী ট্রান্সলেসন প্রাইজ ফংখ্রবা অরিবম কুমার শর্ম্মনা ইবা হিন্দী অইবশিংগী ৱারীমচাশিংদগী খোমজিন্দুনা হন্দোকপা মীতৈ ময়েক লাইরিক ফোরমগী ১৬৯ শুবা লাইরিক ওইনা ফোঙখি।

থৌরম অদুদা প্রো. নোংমাইথেম তোম্বীনা অথোইবা মীথুং ওইখি। ফোরমগী ভাইস-প্রসিদেন্ট ইরুংবম বসন্তনা থৌরম মপু ওইখি।

অথোইবা মীথুং ওইখিবা প্রো. তোম্বীনা, বাঙ্গলা ময়েক্তা লৈরিবা লাইরিকশিং মীতৈ ময়েক্তা ওন্থোকপগী খোঙজং অসি য়াম্না ফৈ, লৈঙাক্লসু অচৌবা থৌদাংশিং লৌহন্নীংই হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

লাইরিক অসিগী অইবা অরিবম কুমার শর্ম্মনা হায়খি, লাইরিক অসি অয়াম্বা নহাশিংনা বাঙ্গলা ময়েক খঙনদ্রবনিনা মখোয়না পাবা ফংহন্নবা ফোরমগী মখাদা ফোঙবনি। তুংগী মীরোলগীদমক লাইরিক অসি ফোঙদুনা থল্লম্বা ঙম্বসি নুংঙাই হায়দুনা ফোঙদোকখি।

থৌরম মপুগী ৱারোলদা ফোরমগী ভাইস-প্রসিদেন্ট ইরুংবম বসন্তনা, বাঙ্গলা ময়েক্কগী মীতৈ ময়েক্তা ওন্থোক্তুনা লাইরিক ফোঙলিবা অসিগী মহয়দি তুংদা লাক্লিবা মীরোলনা শোয়দনমক্কী শীংথাহৌরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## কাদা রিহেবিলিটেসন সেন্টরগী এ ব্লোক শঙ্গারগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচ এন এস): কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগ এন্দ অলকোহোল (কাদা)না ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চন্না লৈবা তাওথোংদা শাগৎলিবা রিহেবিলিটেসন সেন্টরগী এ ব্লোক থা অসিগী ২২ দা শঙ্গারগনি হায়না কাদাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি এল সঞ্জিৎনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কাদাগী রিহেবিলিটেসন সেন্টরগী এ ব্লোক অসি এম পি ডা. থোকচোম মৈন্যনা শঙ্গাগনি। এম এল এ ডা. এন জি বিজয়, লমশাং এ সীগী এম এল এ দল্লিয়ু ব্রজবিধু অমদি কাদাগী প্রসিদেন্ট এদভোকেট য়ুম্নাম রতনকুমারসু থৌরম অসিদা শরুক য়াগনি।

কাদানা লমদম অসিদগী ময়ায় কাবা চীঞ্জাক মরু ফংনা মুখৎতুনা মশা-মউ ফবা তিঞ্জং-কায়জংদবা খুন্নাই অমা শেম্নবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লক্লি। ময়ায় কাবা চীঞ্জাক্তা লাইচুরবা মীওইশিংবু লায়েংদুনা হান্নগী পুন্সিদা লাকহন্নবগী মতাংদা শাগৎলিবা রিহেবিলিটেসন সেন্টর অসিগী ব্লোক অহুম মথংশিংনা এদমিনিষ্ট্রেটিব ব্লোক, দোর্মিটরি ব্লোক অমসুং কিটচন ব্লোক লৈগনি। অহানবগী ওইনা এদমিনিষ্ট্রেটিব ব্লোক অসি কুমজা ২০১৩গী দিসেম্বরদা পাঙথোকখিবা কাদা লোটরিদা মীয়ামনা পাংলকখিবা মতেং অমদি মতম-মতমগী ওইনা লমদম অসিগী লৈঙাক্কী অমদি লন্নাইগী শিনফম কয়াদা থবক তৌরিবা মীয়াম্না পীরকপা তেংবাংশিংনা শাবনি।

থা অসিগী ২২ দা এ ব্লোক শঙ্গাবগী থৌরম অসিদা সেন্টর অসিবু শানবা হোৎনবদা থৌদাং লৌরম্বা অমদি লৌরম্বী কাদাগী থৌমীশিং, তেংবাং পীরকখিবশিং, শিন্মীশিং, থৌমীশিংনা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## 'কঞ্জ্যুমরশিংগী ৱাকৎ ঙাইজরি'

ইম্ফাল, মার্চ ১৯(ঐচ এন এস)ঃ মালেমগী কঞ্জ্যুমরস নুমিৎনা লাকপদা লমদম অসিগী কঞ্জ্যুমরশিংদা য়াইফ-পাউজেল পীজবগা লোয়ননা কঞ্জ্যুমরশিংনসু ইশা-ইশাগী ফংফম থোকপশিং পাঙথোকপীয়ু হায়না চেকশিন-ৱা থমজবা লোয়ননা মতম চুপ্পদা কঞ্জ্যুমরশিংগী ৱাকৎ খৌরাংনা ঙাইজরি হায়না কঞ্জ্যুমরস ক্লব, লিলোং, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী সেক্রেটরিনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লমদম অসোমদা লৈরিবা ফুরুপ অমবু হিংহন্নবা হোৎনবদা অহিং-নুংথিল তুম্বা চাবা খঙদনা মীয়ামগী থবক তৌজরিবা অঞ্জুমন, তুরেল অহনবীদা দামদা লৈববু য়াম্না উশিৎতবা মওংদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱাঙ্গৈইগী এস দি পি ওনা লুচিংবা পুলিসকী কাঙবু অমনা ওফিসকী থোঙ থুগায়দুনা চঙলকখিবা থৌওং অদু থম্মোয় শোক্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি। থৌওং অদু লিলোংগী মীয়াম্বু উশিৎতবনি হায়না লৌদবা ঙমলোই। মরম অদুনা থৌদোক অসিগী মতাংদা চঙশিল্লকপা খোঙজং খুদিংমক্তা থম্মোয় শেংনা শরুক য়াগনি।

## এৱেয়রনেস কম ট্রেনিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ ঃ দাইরেক্টোরেট ওফ এক্সটেন্সন এদ্যুকেসন, সেন্ট্রেল এগিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি, ইম্ফালনা ঙসি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী খারম ভিলেজদা এগ্রি এন্দ এল্লাইদ এক্টিভিটিজ হায়বা হীরম অসিদা নোংমগী ওইবা এৱেয়রনেস কম ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোক্তুনা খারম ভিলেজগী লৌমীশিংদা নিংথিনা তাকপী তন্বীখ্রে। থৌরম অদুদা ভেটিরিনরি এক্সপার্ট ডা. টি ঐচ সুশিলকুমারনা কমদৌনা শা-ষণ, য়েন-ঙানু শেন্থোক লৈনা য়োক্কদগে হায়বগী মতাংদা লৌমীশিংবু মরিক চুম্না তাকপী তন্বীখিবগা লোয়ননা অফবা মখলগী গিরি রাজা অমসুং গিরি রাজা য়েনাওশিংসু লৌমীশিংদা য়েন্থোকখি হায়না দাইরেক্টোরেট ওফ এক্সটেন্সন এদ্যুকেসন, সী এ য়ুগী সবজেক্ট এক্সপার্ট (ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি) টি ঐচ সুসিলকুমারনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

# য়াওশঙ কুম্হৈ মনুংগী থাবল নুমিৎ মঙানিদগী হেন্না শীনদনবা এইমসনা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ১৯(ঐচ এন এস) ঃ লমদম অসিগী অচৌবা কুম্হৈ অমা ওইরিবা মচুগী কুম্হৈ য়াওশঙ কুম্হৈনা লাকপদা কংলৈপাক অসিদা লৈরম্বা অৱা-নুংঙাইতবা, নুপী অমসুং অঙাংশিংদা চথরম্বা মীওৎ-মীনৈ কয়া অদু য়াওশঙগী মৈরিনা তুম্না চাকখিদুনা কংলৈপাক অসিবু ঈং-তপ্পা, অকি-তুজুংবা পাউ তাদবা মীশি-মীনা লৈতবা অৱাৎপা লৈতবা চাওখৎপা লমদম অমা ওইরসনু হায়না অপুনবা ইরৈপাক্কী মহৈরোয় শিনপাংলূপ (এইমস)কী মায়কৈদগী য়াইফ-পাউজেল পীরক্লি।

অইমসকী ভাইস-প্রসিদেন্ট রাজেশ য়ুম্নামনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা হায়, য়াওশঙ কুম্হৈ অসিবু অনৌবা মায়োন্দা পুরক্তুনা হান্না চৎনরম্বা মীঙোন্দগী শেল নিবা অমসুং মুনবগী হৈনবা থাদোক্তুনা ইপা-ইপুশিংগী শিংলিদা চেনখিবা নিবা-হায়জবা হৈতবা ৱাখল্লোল অদু চেন্দুনা লমদম অসিবু মালেমদা শক তাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা শান্ন-খোৎনবদা মায় ওনশিল্লসি। ক্লব, ওর্গনাইজেসন, মৈরা পায়বী লূপ খুদিংমক্না য়াওশঙ স্পোর্টস শীনবীদুনা হৌরক্লিবা তুংগী য়ুম্বীরেলশিংবু অফবা অচুম্বা মায়কৈদা পুরক্লসি অমসুং মশা মউ ফবা লমদম অমা ওইহল্লসি।

য়াওশঙগা মরী লৈননা শীল্লিবা লমদম অসিগী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা তৎন-থানবা য়াদনা লাক্লবা লমতা থাগী য়াওশঙ থাবল অসিবু মহৈরোয় খুন্নাইগী খল্লগা য়াওশঙ মনুং নুমিৎ মঙানিদগী হেন্না শীনবিদনবা অমসুং নুমিদাং পুং ১২ ফাওবগী মনুংদা লোইশিনবিনবা মহৈরোয় লুপ অসিগী মায়কৈদগী চেকশিন ৱারোল থমলি হায়রি।

ইচে-ইচলশিংনা থাবল চোংবা মতমদা নাৎকী ওইবা ফিজোল শেৎ-ইনগদবনি, য়েঙবদা ফজদবা ফিজোল শেৎ-ইন্দনবা ৱাফম থল্লকপগা লোয়ননা মতম অমগী কংলৈপাক্কী ফজরবা নৎ-চৎনবী অদু হঞ্জিল্লক্লবা হোৎনবা মতেং পাংবীয়ু। করিগুম্বা ৱাফমশিং অসি থৌওইদদুনা মতম নৎতনা থাবল চোংলম্বা অমসুং শীল্লম্বা থোক্লবদি ইচে-ইচলশিং অমসুং মদুদা মতেং পাংলিবা ম্যুজিক, সাউন্দ অমসুং মৈগী ইচিল ইনাওশিংনা পোৎলুম পুগদবনি হায়না এইমসকী মায়কৈদগী অকনবা ৱাফম থল্লি হায়রি।


থাবল শেন্নবিরিবা ক্লবকী ভল্যুন্টিয়ারশিং অমসুং ইমা-ইবেলশিংনা মহৈ তল্লিবা তুংগী য়ুম্বীরেলশিংনা থাবল চোংফমদা ময়ায় কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নবশিং অদু য়েংশিনবীয়ু হায়রি।

তুংগী য়ুম্বীরেল ওইগদৌরিবা মহৈরোয় অমসুং নহারোলশিংবু ইথক-ইরাংদা পুক্নিং লুপশিন্দনবা অমসুং মহৈ-মশিং, শান্ন-খোৎনবদা হেন্না মায় ওনশিল্লক্লবগী পান্দমদা অথিংবশিং অসি থমজবনি। মসিবু কংলৈচাশিং, ক্লব, ওর্গনাইজেসনশিং অমসু মৈরা পায়বী লূপ খুদিংমক্না শৌগৎপীয়ু হায়রি।

## ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ ঃ সাউথ জোন কলচরেল সেন্টর, দাকশিনি, থানজাবরনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৪ দগী ২৬ ফাওবা রাজা শীটগ্রাউন্দ মাদিকারি, কর্নাটকাদা পাঙথোক্কদৌরিবা 'ওক্তেব' ফেষ্টিবেল ওফ নোর্থইষ্টতা থাঙ-তা উৎলুনবগীদমক পান্থোইবী থাঙ-তা এন্দ জগোয় শিন্দম শঙলেন, মোইরাং খুনৌগী আর্টিষ্ট ১১না শাবা থাঙ-তাগী সেক্রেটরি রাজু লাইশ্রমনা লুচিংবা কাঙবু অমা কর্নাটকাগীদমক ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে। কাঙবু অদুনা কর্নাটকগী মফম কয়াদা মখল কয়াগী থাঙ-তা উৎলুগনি হায়না শঙলেন অসিগী প্রসিদেন্ট এল রাজেননা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

## CROSSWORD-2030



**ACROSS**

1 Wail (4)
3 Marijuana (8)
9 Devilish (7)
10 Weary (5)
11 One of the Marx Brothers (5)
12 Breathe in (6)
14 One of the Home Counties (6)
16 In short supply (6)
19 Reflected sounds (6)
21 Nobody (2-3)
24 Lamb's cry (5)
25 Green gem (7)
26 Height, elevation (8)
27 Magician's rod (4)

**DOWN**

1 Secret (4-4)
2 Irrigate (5)
4 Polar region (6)
5 V-shaped incision (5)
6 Housebreaker (7)
7 Carbonated drink (4)
8 Nap (6)
13 Decapitated (8)
15 Wealthiest (7)
17 French Riviera resort (6)
18 Dances (anag) (6)
20 Composition for eight players (5)
22 US president (5)
23 Renowned Swedish pop group (4)

Solution 2029

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| P | A | P | Y | R | U | S | | R | U | L | E | D |
| I | | L | | I | | P | | A | | E | | E |
| L | E | A | R | N | | O | C | T | A | G | O | N |
| G | | I | | G | | U | | E | | I | | S |
| R | I | D | D | L | E | S | | S | A | B | L | E |
| I | | | | E | | E | | | | L | | |
| M | I | G | H | T | Y | | A | D | V | E | R | B |
| | | O | | | | M | | U | | | | O |
| C | A | R | V | E | | A | E | R | O | S | O | L |
| H | | I | | L | | D | | A | | I | | S |
| A | L | L | O | V | E | R | | B | I | G | O | T |
| F | | L | | E | | I | | L | | N | | E |
| F | L | A | I | R | | D | R | E | S | S | E | R |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-1827

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | 5 | | | | |
| 9 | | 8 | | 7 | | | | 1 |
| | 1 | | | | 8 | 4 | 2 | |
| | | | | | | 7 | | 2 |
| 7 | 2 | | | | | | 5 | 9 |
| 8 | | 9 | | | | | | |
| | 8 | 6 | 4 | | | | 1 | |
| 4 | | | | 9 | | 8 | | 6 |
| | | | | 6 | | | | |


Solution-1826

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 5 | 1 | 9 | 8 | 2 | 7 | 3 | 4 |
| 4 | 8 | 7 | 5 | 1 | 3 | 2 | 9 | 6 |
| 3 | 9 | 2 | 7 | 4 | 6 | 5 | 8 | 1 |
| 1 | 3 | 4 | 6 | 5 | 9 | 8 | 2 | 7 |
| 7 | 6 | 8 | 2 | 3 | 4 | 9 | 1 | 5 |
| 9 | 2 | 5 | 1 | 7 | 8 | 4 | 6 | 3 |
| 8 | 7 | 3 | 4 | 2 | 1 | 6 | 5 | 9 |
| 5 | 1 | 6 | 8 | 9 | 7 | 3 | 4 | 2 |
| 2 | 4 | 9 | 3 | 6 | 5 | 1 | 7 | 8 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9 Every row must contain the numbers from 1 through 9 Every column must contain the numbers from 1 through 9 Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9

DUTTA CLINIC

অঙৌবা পকপা, তাং-তাং চিকপা, নুপাগী প্রোব্লেম, নুপীগী প্রোব্লেম, নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক, ডাইবেটিস, নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম অমসুং য়ু করম্না থাদোক্কনি



অঙৌবা পকপা :

অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

তাং-তাং চিকপা :

তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথ্নবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্লা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

নুপাগী প্রোব্লেম :

ফন্বী পাবা, ফন্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফটিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙম্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে। মমল লুপা ৪৫০।

নুপীগী প্রোব্লেম :

ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোম্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :

নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্লা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

ডাইবেটিস :

ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :

না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙল্লে।

অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্কনি।

য়ু করম্না থাদোক্কনি :

DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/2984/29/2-28/3